## আই ও সিনা যুএস দোলর মিলিয়ন ২৫ হেন্না পীখ্রে


*লোজেন, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি)ঃ*
ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না টোকিও ওলেম্পিক গেমস চহী অমা মৈথোকখিবগা মরী লৈননা এঠলেটশিং অমসুং টিমশিংদা যু এস দোলর মিলিয়ন ২৫ হেন্না এলোকেট তৌখ্রে হায়না বোদি অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

আই ও সিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা এক্স্ত্রা ওইবা যু এস দোলর মিলিয়ন ১৫ না কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী শেম শারিবা ফন্দিং মতিক চানা লৌজদবা লৈবাক ১৮৫ গী এঠলেট ১,৬০০ প্রোগ্রামগীদমক শীজিন্নগনি হায়রি।

যু এস দোলর মিলিয়ন ১০ হেনবনা নেসনেল ওলেম্পিক বোদিশিংনা ফংগনি। মসিনা বোদিশিং অসিগী এদিস্নেল ওপরেসনেল কোষ্ট ওইরিবা ওফিসিয়েলশিংগী চৎথোক-চৎশিন অমসু লৈফমগীনি।

আই ও সিনা থাদোরকখিবা শেনফমশিং অদু ওলেম্পিক সোলিদারিটি প্রোগ্রামগী মতেংনা য়েন্থোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসিনা নেসনেল ওলেম্পিক টিম ২০৬ তা কান্নবা পীরগনি। মসিগা লোয়ননা টোকিও গেমস অসিদা শরুক য়াগদবা রিফ্যুজি টিমশিংদসু কান্নবা ফংলগনি হায়না আই ও সিগী পাউ অসিনা মখা তারি।

## এস এ আইগী দিপুটি ডাইরেক্টরনা এ আই এফ এফবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে




*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া ( সাই)গী দিপুটি ডাইরেক্টর সন্দিপ প্রধাননা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন ( এ আই এফ এফ) অমদি সাইনা পূন্দুনা লৈবাক অসিদা থল্লিবা লোকদাউনগী মনুংদা নুমিৎ ১৩ গী ওইবা ওনলাইন কোচিং রিফ্রেসর কোর্স পাঙথোকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। কোর্স অসি হৌখিবা মার্চ ২০ দগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা সেসন ২০ পাঙথোক্তুনা মে ২ ফাওবা চত্থগনি।

সন্দিপ প্রধাননা হায়, সাইনা মতম পুম্নমক্তা কোচশিংগী নোলেঞ্জ হেনগৎনবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পূন্দুনা লাক্লি। ফুটবোল কোচশিংগীদমক্তা ওনলাইন সেসন অসি মপুং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা এ আই এফ এফনা লৌখিবা থৌদাং অদুবু ইকায় খুম্নবা উৎলি। লৈবাক অসিদা ফুটবোলগী মশান্না অসি হৌজিক্তি অচৌবা ময়োল অমদা লাকপা ঙম্মি। অমসুং সাই অমদি এ আই এফ এফনা অসিগুম্লবা ইন্টররেটিং ওইবা প্রোজেক্টশিং মতুং তারেকপদসু মতম পুম্নমক্তা পুন্না চৎমিন্নদুনা পাঙথোক্লবা শেম শারি হায়খি।

ওনলাই কোচিং রিফ্রেচর কোর্স অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙনবা কোচশিংনা শরুক য়ানবা সাইন অপ তৌবা লৈখ্রে। অমদি কোচিং অসিদা এ আই এফ এফকী কোচিং ইন্সট্রক্টর য়াওনা নেস্নেল টিমগী হেদ কোচ ওইরিবা কোরিসিয়ান ইগোর ষ্টিমাক্স অমসুং টেক্নিকেল ডাইরেক্টর ইশাক দোরুসু লেকচরশিং পীগনি।

হিরম অসিগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনসু ফুটবোল কোচশিংবু অনৌবা নোলেঞ্জশিং তানশিনবা ঙম্নগনি হায়দুনা হায়, চায়োল ২ চত্থগদবা রিফ্রেচর কোর্স অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। এ আই এফ এফনসু লোকদাউন চত্থদুনা যূম যূমদা লৈন্নরিঙৈ মনুং অসিদা কোচশিংদা অসিগুম্লবা খুদোংচাবা অমা পীদুনা মখোয়গী নোলেঞ্জশিং হেনগৎহন্নবা হোৎনবা অসিগীদমক ঐগী মায়কৈদগী সাই অমসুং মসিগী মরীলৈন্নবা মীপুম খুদিংমকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ঐহাক্না লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙনবা মফমশিংদা ফুটবোলবু চাউখৎহনবগীদমক পায়খৎলিবা গ্রাসরুট অমসুং য়ুঠ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিংগী নহা ওইরিবা কোচশিংনসু মসিদা য়াওশিন্দুনা লৈবাক অসিগী কোচিংগী লমদা থোয়দোক হেন্দোক্লা মমিং লৈরবা ইন্সট্রক্টরশিং, এ আই এফ এফ টেক্নিকেল ডাইরেক্টর অমসুং সেনিয়র নেস্নেল টিমগী হেদ কোচকা ৱারী ৱাতায় তৌদুনা মখোয়না খঙনিংবা কয়া অদু খঙহৌন্নবগী তাঞ্জা অদু লৌহৌশি হায়না ফোঙদোকখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনসু হান্না রেফ্রিশিংগী ওনলাইন কোর্স অমসুং কোচশিংগী ওইবা ফ্যুচর কোর্সগী মতাংদা খন্নদুনা ওনলাইন মীটিং পাঙথোকখিবা লৈখ্রে।

## মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০ সস্পেন্দ তৌখ্রে




*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (এস এন এস)ঃ*
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)গী ওফিস বিয়রশিংনা এপ্রিল ২৪ দা পাঙথোকখিবা টেল্লিফোনিক কনফরেন্স অমদা খুমুকচম জয়কিসন সিংহনা স্পোন্সর তৌরিবা ১৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০গী লেমহৌরিবা মেটচশিং কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা সস্পেন্দ তৌবদা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

লেমহৌরিবা মেটচশিং সস্পেন্দ তৌখিবনা ১৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০গী রিলিগেসন লৈররোই অমদি রিলিগেসন অমদি শেলগী মনাসু লৈরারোই হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তানা ১৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০ মপুং ফানা পাঙথোক্লবগী মতম ওইথোকপা লৈত্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## এসিয়ান গেমস গোল্ড মেডালিষ্ট দিঙ্কু লায়েং মখা চত্থনবগীদমক দিল্লিদা থুংখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*
এসিয়ান গেমস গোল্ড ৱিন্নিং বোক্সর ঙাঙোম বোক্সর দিঙ্কু সিংহ থাংজ নুমিৎতা ইম্ফালদগী দিল্লি ফাওবা মহাক্কী কেন্সর লায়েং মখা চত্থনবগীদমক স্পাইস জেটকী এয়র এম্বুলেন্সনা মমল অমত্তা য়াওদনা ষ্টার বোক্সর অসিবু দিল্লি ফাওবা পুখ্রে।

মশাগী চহী ৪১ শুরবা বোক্সর অসিনা থাখায় অমগী মমাঙদা দিল্লিদা রেদিয়েসন থেরাপী চত্থনবগীদমক শেম শাখি অদুবু লোকদাউননা মরম ওইদুনা চৎনবগী খুদোংচাবা ফঙখিদে। অদুবু বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমদি স্পাইস জেটনা মহাক্কীদমক অচৌবা মতেং পাঙদুনা ঙসি ইম্ফালদগী দিঙ্কুগা লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবী ঙাঙোম ববাই দেবীবু দিল্লিগীদমক পুখি।

দিঙ্কুবু দিল্লি ফাওবা এয়র এম্বুলেন্সতা পুনবগী ৱারেপ অসি স্পাইস জেটকী চিয়রমেন অমসুং মেনেজিং ডাইরেক্টর ওইবতা নৎতনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অজে সিংহনা লৌখিবনি।

অজে সিংহনা এজেন্সি অসিদা হায় ঐখোয়গী চেম্পিয়ন বোক্সর দিঙ্কুবু মতেং পাঙবা ফজবা অসি অপেনবা পোকই। মহাক হৌজিক দিল্লিদা থুংলদুনা মহাক্কী লায়েং মখা চত্থনবগীদমক হোস্পিটালদা পুখ্রে। স্পাইস জেটনা ঐখোয়গী নেস্নেল হেরো অমবু দিল্লি তম্না এয়র এম্বুলেন্স সার্ভিসতা লায়েং মখা চত্থনবগী মতেং পাঙবা অসি নুংঙাইবা পোকই লোয়ননা মহাক অনাবদগর থুনা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।

ঙাঙোম দিঙ্কু ঙসি নুংথিল দিল্লিদা থুংলবা মতুং ইন্সিটিট্যুট ওফ লিভর এন্দ বাইলিরি সাইন্স ( আই এল বি এস) ফাওবা এয়রপোর্টতগী এম্বুলেন্সতা পুখি। মহাক লিভর কেন্সর নাদুনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা মীওইনি।

ঙাঙোম দিঙ্কু সিংহ ১৯৯৭ দা বেঙ্কোতা পাঙথোকখিবা কিংস কপতা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবদা নৎতনা টাইতল লৌরকখি।

ওলকপা চহী ১৯৯৮তা অমুক বেঙ্কোতা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসকী কেজি ৫৪ বান্টামৱেদ কেটাগোরিদা গোল্ড মেদল লৌখি। মহাক্না গোল্ড মেদল লৌখিবা এসিয়ান গেমস অদুগী চহী অদুমক্তদা অর্জুন এৱার্ল্ড ফঙখি অমদি ইং ২০১৩ দা পদ্মশ্রী এৱার্ল্ডসু ফঙখি।

হান্নগী বোক্সর অসিগী লায়েংগীদমক শাগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ ওইরিবা আর কে ইমোনসু বোক্সর অসিগীদমক শেল ওইনা লিশিং ৫০ মতেং পাঙখিবা লৈরে লোয়ননা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা বোক্সর ভিজেন্দর সিংহ, মনোজকুমার য়াওনা কোচ অমসুং অতোপ্পা বোক্সরশিংনা শেলগী মতেং পাঙন্নরি ।



## ওনলাইন নেসন্স কপ্তা বিশ্বানাথন আনন্দনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী টিম ৫শুবা সিদেদ ওইরি



*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি)ঃ*
মথং থাগী ৫ দগী ১০ ফাওবা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবা ওনলাইন নেসন্স কপ চেছ টুর্নামেন্টতা বিশ্বানাথন আনন্দনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী টিম ৫শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারগনি।

টিম ৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন নেসন্স কপ চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী প্রাইজনা যু এস দোলর ১৮০,০০০ ওইরি। ইন্দিয়াগী টিম অসিদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন কয়ারক ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দনা লুচিংলিবনি।

বিশ্বানাথন আনন্দনা লুচিংলিবা ইন্দিয়াগী টিম অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি ভিদিট গুজরাথি, পি হরি কৃষ্ণ অমসুং কোনেরু হস্পীনি। বি আধিবন অমসুং দ্রোনাভালি হরিকানা রিজর্বদা থল্লি। অদুগা ফিদেনা রুশিয়াগী শান্নরোই ৱ্লাদিমির ক্রামনিকপু ইন্দিয়াগী এদভাইজর ওইনা হাপখ্রে। নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা ক্রামনিকপু ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইনবা ওফর তৌখিবনি অদুবু মহাক্না য়াখিদবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা চেছ ওলেম্পিয়াদতা নুপা অমসুং নুপী অনীমক্কী গোল্ড মেডলশিং লৌখিবা চাইনানা অহানবা সিদিং ফংলি। মখোয়না রেটিং ২৭১৭ ফংদুনা অহানবা সিদিং ফংলি। য়ুরোপ (২৬৮৭), রুশিয়া (২৬৬২), যুএস এ (২৬৪১), ইন্দিয়া (২৬০৫) অমসুং রেষ্ট ওফ দি ৱার্ল্ড না রেট্টিং পোইন্ট ২৫৯৭ ফংদুনা সিদিং অসিগী মকোক মথংদা লৈরি।

চাইনাগী শান্নরোইশিং অদুদি দিং লারেন, ৱাং হাও, ৱৈ য়ি অমসুং হৌ য়িফাননি। যু য়াংয়ি অমসুং জু ৱেনজুননা রিজার্বতা অদুগা য়ে জিয়াংজ ৱাননা কেপ্টেন ওইনা থৌদাং পুরি। য়ুরোপকী কাঙলুপ্তা মেক্সিম ভেচিয়র লাগ্রেভ, লেভোন আরোনিয়ান, অনিস গিরি অমসুং অন্না মুজিচুকনি। রিজার্বতা জান কিরজিজটোফ দুদা অমসুং নানা জাগনিদজেনি অদুগা টিম অসিগী কেপ্টেন্না গেরি কাস্পরোভনা ওইরি।

রুশিয়াগী টিমদা ইয়ান নেপোমনিয়াচটচি, ৱ্লাদিস্লেভ অর্টেভিয়েভ, সর্গে কারজাকিন অমসুং আলেকসান্দ্রা গোরিয়াচকিনানি। টিম অসিগী রিজার্ভতা দিমিত্রি এন্দ্রেকিন অমসুং ওলগা গিরিয়ানি অদুগা টিম অসিগী কেপ্টেন্না আলেকজেন্দর মোটিলেভনি।

যু এস এগী টিমদা ফাবিয়ানো করোনা, হিকারু নাকামুরা, ৱেসলি সো অমসুং ইরিনা ক্রুসনি। রিজার্ভতা লৈনিয়র দোমিনগুেজ পেরেজ অমসুং অন্না জাটোনস্কীনি অদুগা টিম অসিগী কেপ্টেন্না জোন দোনাল্ডসননি।

রেষ্ট ওফ দি ৱার্ল্ডদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি টৈমোর রাদজাবোভ, এলিরেজা ফিরৌঝা, বাসেম আমিন অমসুং মারিয়া মুজিচুকনি। রিজার্ভতা জোর্জ কোরি অমসুং দিনানা সাদুৱাকাসোভানি অদুগা টিম অসিগী কেপ্টেন্না অরকাদি ভোরকোভিসনা ওইরি।

## সর্জিও এগুইরোনা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী আইদোলনি

*রিও দি জৈনেরো, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সি)ঃ*
ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিদা শরুক য়ারিবা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই সর্জিও এগুইরোনা ক্লব অসিগী খ্বাইদগী চাওবা আইদোলনি হায়না মহাক্কী টিমমেট ব্রাজিল মচা গাব্রিয়েল জিজসনা শিংথাখ্রে।

আর্জেন্টিনা মচা সর্জিও এগুইরোনা প্রেমিয়র লীগকী ক্লবকী পুৱারিদা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইনি। অদুবু গাব্রিয়েল জিজসনা মেঞ্চেষ্টর সিটিদা মেটচ ১৩৮ শান্নখিবদা গোল ৬৩ চনবা ঙমখ্রে। অমরোমদা মশাগী চহী ২৩ শুরবা ব্রাজিলগী শান্নরোই গাব্রিয়েল জেজস পেপ গুৱারদিওলাগী ষ্টার্টিং এলবেনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি অদুবু সর্জিও এগুইরোদি নম্বর ৯ দা অদুমক ফংলি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সি অসিনা মখা তারক্লি।

গাব্রিয়েল জিজসনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই সর্জিও এগুইরো ক্লব অসিগী খ্বাইদগী অফবা শান্নরোই অমনি। মরম অসিনা মহাকপু ক্লব অসিগী খ্বাইদগী চাওবা আইদোলনি হায়না জিজসনা মহাক্কী ইনষ্টাগ্রামদা ফোঙদোকখিবনি।

এগুইরোনা ক্লব অসিদা শরুক য়াদুনা মেটচ ২৬৮ শান্নখিবদা গোল ২৫৪ চনবা ঙমখ্রে। মহাক্কী গোলশিং অসিগী মনুংদা কুমজা ২০১২ দা ক্বিন্স পার্ক রেঞ্জর্সকা শান্নখিবা মেটচতা গোল চন্দুনা টাইটল লৌখিবা অদুনা ক্লব অসিগী চহী ৪৪ গী পুৱারীদা অহানবা ওইখিবনি।

## লীগ ৱানগী শান্নরোইশিং মে ১১দগী চেকঅপ পাঙথোক্নবা শেম শাখ্রে

*পেরিস, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সি)ঃ*
ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগশিংদা শান্নবা শান্নরোইশিং মশা মশাগী ক্লবশিংদা হলক্তুনা মে ১১ দগী ফুল মেদিকেল চেকঅপ চত্থদুনা ফুটবোল লীগশিং মখা চত্থনবা থৌরাং তৌরে হায়না ফ্রান্স লীগ (এল এফ পি)না ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

এল এফ পিগী বোর্ড মেম্বরশিংনা লীগশিংদা শরুক য়ারিবা ক্লবশিংগী দোক্টরনা ড্রাফ তৌদুনা পীরকখিবা মেদিকেল অমসুং হেলঠ প্রোটুকোলশিং অদু কূপ্পা নৈখি হায়না এল এফ পিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। দোকুমেন্ট অদুদা শান্নরোইশিংনা মে ১১ দা ট্রেনিং সেন্টরদা হলকপা মতমদা ফুল মেদিকেল চেকঅপ, স্বাব টেষ্ট অমসুং নুংতিগী মথৌ তাবা খুদিংমক য়েংশিনগনি।

এল এফ পিনসু মখোয়গী মায়কৈদগী লীগশিং জুনগী ময়াই থংবা চায়োলদা মখা চত্থনবা ফোঙদোকখি অদুবু ৱারেপ অদু লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীবা অমদি মথৌ তাবগা লোয়ননা ফ্রান্সতা মে ১১ ফাওবা নেস্নেল হ্বাইদ লোকদাউন থল্লি। এল এফ পিনসু বোর্ডকাষ্টর কনাল প্লস অমসুং বি ইন স্পোর্টসকা পীথোক্তনা লৈরিবা শেনফমশিংগী মতাংদসু য়ান্নবা অমা পুরকখ্রে হায়রি। টিলিভিজন কম্পেনি অনী অসিনা লীগনা মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রবা মতম অসিদা শেনফমশিং তোন্দুনা লৈরক্লি অমসুং এল এফ পিনা মমাঙদা বোর্ডকাষ্ট তৌখিবা মেটচশিংগী মশিংগী মতুংইন্না শেনফমশিং পীথোকপদা য়ানখি হায়রি। ফ্রান্সতা ফোঙবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নদি কনাল প্লসতা ৩৭ মিলয়িন য়ুরোমুক পীথোক্কদবা ৱাংলি হায়রি।

অমরোমদা ফ্রান্স ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট লী গ্রেটনা ফ্রান্স কপ অমসুং ফ্রান্স লীগ কপগী ফাইনেল লীগ মখা চত্থদ্রিঙৈ মমাঙদা পাঙথোকপা ঙমগনি থাজরি। লীগ কপতা পি এস জিনা লীওনগা থেংন্নবা শেম শাখি। অদুগা ফ্রেন্স কপতনা সেন্ট ইটেনগা থেংন্নবা শেম শারি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৯৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | A | T | S | ■ | C | H | O | P | ■ | L | A | L | A | W |
| A | L | E | C | ■ | H | E | N | S | ■ | A | B | O | D | E |
| C | O | L | A | ■ | O | R | C | A | ■ | T | E | R | S | E |
| Y | E | L | L | O | W | B | E | L | L | I | E | D | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | P | H | D | ■ | ■ | M | O | T | ■ | ■ | ■ | ■ |
| G | M | C | ■ | M | E | S | A | ■ | B | U | S | H | E | L |
| L | A | U | D | ■ | R | E | D | R | E | D | W | I | N | E |
| O | U | T | O | F | ■ | R | O | I | ■ | E | A | R | L | E |
| B | L | U | E | R | I | B | B | O | N | ■ | B | E | A | K |
| E | S | P | R | I | T | ■ | E | T | A | T | ■ | D | I | S |
| ■ | ■ | ■ | ■ | G | E | L | ■ | ■ | S | O | P | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | P | R | I | M | A | R | Y | C | O | L | O | R | S |
| S | A | L | A | D | ■ | D | A | V | E | ■ | A | V | O | W |
| E | M | A | I | L | ■ | E | V | E | N | ■ | C | A | S | A |
| W | I | N | D | Y | ■ | N | E | S | T | ■ | E | L | A | N |

## দিল্লি মণিপুর সোসাইটিনা চেঙ য়েন্থোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫(এস এন এস)ঃ*
কোভিদ-১৯ লায়চৎনা মরম ওইদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন থমখিবদগী মরু ওইনা ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা পন্দুনা লৈরিবা অমদি অৱাবা তারবা মণিপুরীশিংদা তোঙান তোঙানবা প্রোফেসনশিংদা থবক তৌরিবা লমদম অসিগী দিল্লিদা লৈবা মীওইশিংনা পূনশিন্দুনা শেম্বা এসোসিয়েসন দিল্লি মণিপুর সোসাইটিনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

দিল্লি মণিপুর সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট সাপম বিশ্বজিৎ অমদি সেক্রেটরী নিংঙোম্বম শ্যামকিশ্বরনা লুচিংদুনা ঙসি দিল্লিগী কিশানগারহ, ভাসান্ট কুঞ্জ, চিরাগ, নিরানকারি কোলোনি, মালভিয়া নাগর, মাইদা গারহি, গৌতম নাগর, লাজপাৎ নাগর, মহিপালপুর অমদি গুরগাওগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগা লোয়ননা দ্বারকাগী সেক্টর খরদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরগী মীয়ামদা চেঙ, হৱাই, অচাথাউ, তিলহৌ অমদি আলুনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

হায়রিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু এসোসিয়েসন অদুগী মেম্বরশিংনা অঙম অঙম্বা শেল খায়নদুনা অমদি মীওই খরনা তৌরকপা দোনেসনশিং পূনশিন্দুনা য়েংথোকখিবনি। চান-থক্লবা য়েনবগী থৌরাং অদু মরু ওইনা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিংগী য়েংলগা তৌখিবনি।

দিল্লিদা কোভিদ-১৯ লায়চৎ থেংনবদা পোজিটিভ ওইখ্রবা মণিপুরগী মেডিকেল ষ্টাফ মরিদসু এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী শেলগী মতেং পাঙখ্রে।

লোয়ননা এসোসিয়েসন অদুনা দিল্লিদা লৈরিবা মণিপুর ভাৱনগা খূৎশন্নদুনা মখা তানা পন্দুনা লৈরিবা মীয়ামদা চেঙ-চাকশিং য়েন্থোক্লবা হোৎনরি অমদি মরু ওইনা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরিবা মীয়ান্না পূক্নীং চরাংনবা তৌদনা পূক্নীং ফাথনা লৈবিনবা আপিল তৌরক্লি।

## ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা পি দি এসকী পোৎলমশিং ৱাত্তনা ফংহন্নবা হোৎনরি

*ইম্ফাল, এপ্রিল২৫(এস এন এস)ঃ*
কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন থমজিনখিবা অসিদা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিদা খরদা ওইরবসু মতেং পাঙনবা লৈঙাক্লা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান যোজনা ( পি এম জি কে এ ৱাই) অমদি ওপন মার্কেট সেল স্কীম (ও এম এস এস) কী মখাদা মীয়ামদা পি দি এসকী পোৎলমশিং ফংহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, স্কীম অনী অসিগী মখাদা ষ্টেট অসিগী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬০ মক্কী বেনিফিসিয়ারিশিংদা লেম্না চেঙ ফংহন্নবা হোৎনরি।

থৌশিল অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা চেঙ ক্বিন্টল ১০০০৭.৭ অমদি ও এম এস এসকী মখাদা চেঙ ক্বিন্টল ২০৫.৯৭৫ য়েন্থোকখি।

লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা এফ সি আইগী গোদাউনশিংদগী চেঙ চিংথোকপগী থবকসু মখা তানা চত্থখি। নিংথৌফমদা লৈবা এফ সি আই গোদাউনদগী কারোং এ সি গী ওইনা পি এম জি কে এ ৱাই গী মখাদা চেঙ ক্বিন্টল ১৪০৫.৮৭ অমদি ও এম এস এসকী মখাদা চেঙ ৩৭০.৮২ ক্বিন্টল চিংথোকখি।

নোনে দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু নুংবা এ সিগী ওইনা এফ সি আই গোদাউন সঙাইপ্রৌদগী ও এম এস এসকী মখাদা চেঙ ক্বিন্টল ৭৫ চিংথোকখি।

পনবা য়াবদি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইষ্ট, জিরিবাম, কামজোং, বিষ্ণুপুর, ফেরঝোল অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা থুংনবা পি দি এসকী চেঙশিংগী কোটা চিংথোকখিবা লোয়রবনি।

## মহৈরোই লূপ অহুমগী মীওই ২৪না ঈ পীখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫(এন এস এন)ঃ*
মহৈরোই খুনাই অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক কখোক্লবা ঈ হায়না মিংথোনবা দেসাম, অনসম অমদি এইমসনা শিল্লগা এপ্রিল থাবুমসিমা চত্থগদবা ব্লদ দোনেসন কেম্পদা ঙসিগু মীওই ২৪না ঈ পীখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি কোভিদ ১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা লমদমসিদা লৈরিবা ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈগী অৱাৎপা লৈরকপদগী মহৈরোই লূপ দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), অপুনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোই শিনপাং লূপ (এমস) অমদি ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুর (অনসম) গা রিমস, জেনিমস অমদি সিজা হোস্পিটালগা পুল্লগা চত্থরকপনি।

এপ্রিল ৩০ ফাওবা চত্থগদবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিগী ঙসি নুমিৎ ২৫নি শুরকপা নুমিৎ অসিদা ব্লদ দোন্নর ২৪না রিমস অসি জেনিমস হোস্পিটালগী ব্লদ বেঙ্কতা ঈ পীখি। মীওই ২৪ অসিগী মনুংদা ১০না রিমসতা অমদি ১৪না জেনিমসগী ব্লদ বেঙ্কদা পীখি।

ঈ পীখিবা ব্লদ দোন্নরশিং অদুদি কৈরাওদগী নিংথৌজম রিসিকান্তা, নোংমৈবুংদগী সত্যানন্দা থোঙ্গ্রাম, ৱাংখৈ কোইজম লৈকাইদগী তপন গুরুঅরিবম, শগোলবন্দ মোইরাং হনুবা লৈরক্তগী ইরোম সোনিয়া, নম্বোল মাইবমদগী খোমদ্রাম সিবন্তা, নম্বোল মখাদগী হিদংময়ুম রাকেশ্বর, নম্বোল সাবল লৈকাইদগী নরেস কৈশাম, লাইরেনজমদগী সামোম নিমাইচান্দ, লাইরেনজমদগী লৈতোংবম সান্তাবির, নম্বোল বাজারদগী এসঐচ রিসিকুমার শর্ম্মা, কংলৈপুং ময়োল ই পাউগী মেম্বর ডাঃ হুইদ্রোম রোমেন, ধনচন্দ্রা হুইদ্রোম, অসেম সনামতুম, মাইবম জোই, পল্লেন মমাঙ লৈকাইদগী মালেমঙানবা তখেল্লম্বম, তোপ খাবিদগী থিয়াম বিশ্বমিত্রা, মন্ত্রিপুখ্রিদগী ইরোম রোবার্টসন, নম্বোল ওইনাম মনিং লৈকাইদগী লোংজম কিয়াম্বা, নম্বোল ওইনামদগী ওইনাম সান্তা, উরিপোকতগী থিয়াম সুরজ, ওইনাম মমাঙ লৈকাইদগী ওইনাম সনাতোম্বা, থৌবাল খেকমন অৱাংদগী অসেম প্রেম, ললাম্বুংদগী নিংথৌজম রাহুল অমদি অন্দ্রোদগী লৈশ্রংবম রাজেসনি।

হয়েংসু মখাতানা মহৈরোই লূপ অহুমগী থৌমীশিং ঈ পীখিগনি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা মীয়াম্নসু ঈ পীবিদুনা ষ্টেটসিগী ওইনা ঈগী অৱাবা লৈরিবা অসি লৈহনদনবা পুন্না হোৎনমীন্নসি হায়না মহৈরোই লূপ অহুমগী মাইকৈদগী মীয়ামদা অপিল তৌরক্লি।

## কে ৱাই কে এলগী ২৬ শুবা মপোক ...

*লমায় ১গী মখা...*
মফমদা হৈ- লৈ কৎলবা মতুংদা লূপ অসিগী চেয়ার্মেননা মীয়ামদা পীবা পাউজেল পাথোক্তুনা ইচম চন্না পাঙথোকখি।

চেরোল অসিনা হায়, মালেমগী লায়না-লায়চৎ কোভিদ-১৯ (কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক) পু ফুরুপ কাঙলুপ, ক্লু অমদি লাইনিংগী খেন্নবা থিদনা পুন্না থেনমিন্নসি হায়বা পাউজেল অসি পীজবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ গী চৈথেং ফংলবা মালেমগী মীয়াম পুম্বগী অৱা-অনাদা কে ৱাই কে এলসু শরুক য়াজরি। লোয়ন-লোয়ননা লৌনগনবা লায়না-লায়চৎ অসিবু হকথেংননা থেংনরিবা হকশেলগী থবক তৌরিবা হকশেল-থৌদারোই (হেল্থ কেয়ার ৱার্কর) পুম্নবুসু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খূম্নবা উৎচরি।

## ইন্দিয়ান কোলোনিয়েলিজম রেসিষ্ট দেগী...

*লমায় ১গী মখা...* ৱ্লেক লোকয়া লমদমসিদা চল্লাইদুনা ইরৈচা কয়াগী পুন্সিবু খাঙুথক্তা পুন্সি পীখন্নহনখ্রে, কয়া অমনা শোয়নাইবা ওইহন্দুনা মীমান্নদ্রবা পুন্সি মরেল অমদা হিংদুনা শিবগী পুঞ্জা ঙাইরি।

অদুগা অমুকসু আই সি সিনা অথিংবা থল্লিবা জিনোসাইদ, ৱার ক্রাইম, ক্রাইম এগেনষ্ট হ্যুমেনিটি অমসুং ক্রাইমস ওফ এগ্রেসনগী থৌওংশিং আই ও এফনা লেপ্পা লৈতনা লমদমসিদা চত্থরি অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা অয়াবা পীরিবা ইরৈবাক্কী লাইবক লেপচনবগীদমক চত্থরিবা নীংতম য়াওল ঈহৌ অসিবু মালেমগী চৎন-পথাপকী মায়োক্তা নমথনবা হোৎনরি অমসুং ইন্টরনেস্নেল কনফ্লিক্ট সিচুয়েসন লৈনা- লৈনা লৈবাক মনুংগী লো এন্দ ওর্দর ৱাথোকনি হায়দুনা লান্না পাউথোক্তুনা মালেমবু লান্না লমজিংলি হায়নসু মখা তারক্লি।

থৌওংশিং অসিদা লমদমসিগী হংলাই লৈঙাক্লা মীয়ামগী মথক্তা মপুনা চানবিনবা হায়দুনা অপূনবা ফুরুপকী তুংলমচৎ করিমত্তা খঙদবা মওংদা মালেমগী চৎন-পথাপকী মায়োক্তা লোই লৈঙাক্কী মীওৎ-মীনৈ নীংঙাইদনা চত্থরি। অসিগুম্না তমথিরবা ক্রাইম কয়া চত্থরিবা লোই লৈঙাক মপু অমসুং হংলাই লৈঙাকপশিং অমদি হকথেংননা চেন্নরিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অসি নোংমদি ইন্টরনেস্নেল ক্রিমিনেল কোর্ট (আই সি সি) নৎত্রগা য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা লিংবা ক্রিমিনেল টিবুনেলগী দোক্তা লেপ্পগা লোয়ননা কৈশুমশঙগী চৈরাক ফংহন্নবা মালেমগী খোঙথাংগা লোয়ননা হোৎনফম থোক্লে হায়না লূপ অসিনা থল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়াগা ৱেসিয়া লমদমগী মীয়ামগা পুন্না লৈমিন্নবা অমদি হিংমিন্নবা খক ওইথোক্লোই। ইন্দিয়া অমসুং কংলৈপাক অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী ফুরুপকী লীচৎ মান্নদবা, শক মান্নদবা, পুনশিন্নবা খক য়ারোইদবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ওইদুনা লাকখ্রবনি। কোভিদ-১৯ লায়চৎনা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্তুনা মীয়াম পুম্বা থরক হুন্নরিবা তাঞ্জা অসি ফাওবদা ৱেসিয়াগী মীয়ামদা রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন চত্থরিবা অসিনা তাক্লিবদি মনাতোন তুম্বা, মমীৎ লাওবশিং অসি পুকচেল পীকপা চাউখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবা কাঙবুনি হায়বসিনি।

ইন্দিয়ানা ফুরুপ-কাঙলূপ, শক-চুদা যূম্ফম ওইরগা ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্বু করেম-কথাইনদুনা পূক্নীং-ৱাখল অমসুং হকচাং শোক্লা মখল কয়াগী অওৎ-অনৈ লেপ্তুনা চত্থরক্লি। মখোয়না লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নুপী ওইবী কয়াগী ইকায়খূম্নবা মাঙহনবিখ্রে, মহৈরোই নহা কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা পীখন্নহনখ্রে। অদুবু অসুক য়ান্না থৌদোকশিং অসি থোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা হায়রিবা থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা মরাল লৈবনি হায়বা মীওই অমত্তা পুলিসনা ফাদুনা ৱায়েলশঙদা পুথোক্লগা মখোয়না লাঙজরুরিবা মরালদুগী মতুং ইন্না ৱায়েলশঙনা ফংফম থোকপা মতীক চাবা চৈরাক পীবদি ঙসিসু ঐখোয়গী মীয়ান্না থেংনদ্রি হায়না মরাল শীরি।

মসিনা তাকপদি ইন্দিয়া অপূম্বনা ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্বু মখোয়না মী ওইনা উদে, মখোয়না উরিবদি ঐখোয়গী লম অমদি নেচরেল রিছোর্সেস অসি খক্তবুনি। ৱাখল অসি মখোয়গী লু- তোংদা য়াওদুনা লাক্লবনি হায়নসু মরাল শীরি।

মালেমগী মফম অয়াম্বদা চত্থরিবা রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন অসি মতম পূম্বগী ওইনা পুংমুৎ মুথৎখিনবা কুমজা ১৯৬৫ গী দিসেম্বর ২১ দা যু এন জেনরেল এসেমব্লিনা এদোপ্ট তৌদুনা লিংখিবা 'কনভেন্সন ওন দ ইলিমিনেসন ওফ ওল ফোর্মস ওফ রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন' (সি ই আর দি) দা ইন্দিয়াসু কুমজা ১৯৬৮ তা কনভেন্সন অসিগী ষ্টেট পার্টি ওইখি। কনভেন্সন অসিনা আর্টিকিল ২৫ শেমদুনা মখল খুদিংমক্কী রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন থিংই। ইন্দিয়াসু কনভেন্সন অসিগী সিগনেটেরি অমা ওইবনা মতীক চাবা লেম শেমদুনা মহাক্কী লৈবাক্কী থোকপা রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন পূম্বা থিংফম থোকপনি।

অদুবু ঙসি ফাওবা রেসিজমগা মরী লৈনবা মীওৎ-মীনৈ অমদি কা-হেনবা থবকশিং অসি থিংনবা মতীক চাবা লো অমত্তা শেমদ্রি। অসিগুম্বা থবক্তা চেন্নবা মীওই অমতা চৈরাক পীবসু লৈত্রি। উনা-উনা উশিন্নদ্রি, খঙলবসু খঙশিন্নদ্রি। মখোয়গী থৌওং অসিনা চত্থরিবা ক্রাইম খুদিংমক রেসিষ্ট ইন্দিয়ান ষ্টেটকী অকক্লবা থৌশিল অমগী মখাদা পাঙথোকপনি হায়না তাকই। কম্মিটি ওন দ ইলিমিনেসন ওফ রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন (সি ই আর দি) না মসিদা পার্টি ওইরিবা লৈবাকশিংনা মাগী মাগী লৈবাকশিংদা রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন অসি থিংনবা করম করম্বা থবক লৌখৎলিবগে হায়বদু য়েংশিল্লি হায়নসু মখা তারি।

শাংলবা মতম অসিদা ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৯৬ অমসুং ২০০৭ অসি খক্তদা মহাক্কী ষ্টেট রিপোর্ট থাগৎখিবদগী ঙসি ফাওবা থাগৎপা ঙমদনা লৈরি। মতাং অসিদা য়ান্না নুংঙাইরিবদি ইন্দিয়ানা কুমজা ২০০৭ দা থাগৎখিবা ষ্টেট রিপোর্ট মতুংদা সি ই আর দিনা অফস্পা-১৯৫৮ অসি ফুরুপ কাঙলূপ নায়বা থৌরাংনি লৌথোকউ হায়বগা লোয়ননা দাম অমসুং হাইড্রো পৱার প্রোজেক্টনা য়েলহৌমী মীয়ামগী লম, মহৌশাগী লনথৈগেনচিংবা শোকপা তারবদি য়েলহৌমীশিং অদুগী লৈনবা লম অমসুং যূম অতোপ্পা মফম অমদা পীগদবনি হায়বা রিকম্মেন্দসন পীরকখি। অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী অশোয়বা কয়া অসিনা মীওইবগী ৱাখল চেন্দ্রবা মীওইশিংনা খুৎলিংদুনা লৈঙাক্লিবা 'খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি' হায়না নাপল তৌজবনি হায়বসি মালেমগী মীয়ামদা উথোকচখ্রে। ৱাফম অমনা কুমজা ২০০৭ গী মতুংদগী সি ই আর দিদা ষ্টেট রিপোর্ট থাগৎপা ঙমদবনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মমাঙদা চোপ্পা-ইকায়বা নংদুনা লৈরি। মসি ৱেসিয়া লমদমগী মীয়ান্না খঙজিনবিয়ু হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

অরোইবদা, ঙসি তরেৎলকশুবা 'ইন্দিয়ান কোলোনিয়েলিজম রেসিষ্ট দে ২০২০' লাকপসিদা ময়াং লান্নীশিংনা চত্থখিবা মীওৎ-মীনৈ কয়া অদু কংলৈপাক্তা অমুক হন্না থোক্লক্তনবা ময়াং লান্নীশিংগী মায়োক্তা ঐখোয় অমতা ওইনা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নদুনা 'আই ও এফশিং লমদমসিদগী হনখ্রো' হায়বা অপূনবগী খোল্লাও লাউমিন্নরসি হায়নসু আপিল তৌরক্লি।